পার্টি মশেল মরাল শীনখ্রে

চেন্নাই, জুলাই ০৭ (এজেন্সী): টামিল নাদুগী এসেম্ব্লি মীখলদা চাউনা মায়থিবা নংখিবগী মতাংদা এ আই এ দি এম কে অমসুং বি জে পিনা অমগা অমগা মরাল শীনখ্রে। চহী অসিগী মে থাদা পাঙথোকখিবা এসেম্ব্লি মীখলদা এ আই এ দি এম কেনা মায়থিবা চাউনা নংখিবা বি জে পিগা মীচঙ চুংশিন্নরুবদগীনি হায়না হন্দক্তা এ আই এ দি এম কেগী হান্নগী মিনিষ্টর সী ভে শামুঘমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম্না এন দি এগী এল্লায়ন্সতা ইনৌ নৌনা ৱাথোক অমা লাকহল্লে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা বি জে পিগী ষ্টেট জেনরেল সেক্রেটরি কে টি রাঘভন অমসুং পার্টিগী ট্রেজরর এস আর সেখরনা এ আই এ দি এম কেগী লীদর অসিগী কমেন্টশিংদা পাউখুম পীরদুনা হায়, বি জে পিনসু ষ্টেট এসেম্ব্লি মীখলদা মায়থিবা চাওনা নংখ্রিবসি এ আই এ দি এম কেগা মীচঙ ওইনরুবদগীনি হায়না লৌই। অসিগুম্বা কমেন্টশিং অসি এ আই এ দি এম কেগী মরু ওইবা লুচিংবশিংনা ফোঙদোকপা ওইরম্লবদি বি জে পিনা ওফিসল ওইনা পাউখুম পীরমগদবনি ।

রিলীফ পেকেজশিং লাউথোকখ্রে

পানাজি, জুলাই ০৭ (এজেন্সী): কোভিদ পেন্দেমিক মনুংদা লৈখিদবশিংগী ইমুংদা কোভিদকা মরী লৈনবা শেলগী মতেং পীবগী স্কিম অনী যুমশকৈশা নুমিত্তা গোৱা কেবিনেটনা এপ্রুভ তৌখ্রে। স্কিমশিং অদুদা অনওর্গনাইজ সেক্টরগী ৱর্করশিং অমসুং মহৌশাগী ওইবা শিনফম পায়রিবশিংদা শেলগী রিলীফ পীবগী ৱাফমসু য়াওরি।

স্কিম অনী অদুগী মনুংদা স্কিম অমদা কোভিদ-১৯ নাবদগী মীওই অমা শিখ্রবা ইমুংদা লুপা লাখ ২গী এক্স-গ্রেসিয়া পীবগী ৱাফম য়াওরি। অসিগুম্বা এক্স-গ্রেসিয়াগী শেনফম ফংবা য়াবা ইমুং অদুগী ইনকম লুপা লাখ ৮গী মখা ওইগদবনি হায়না চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সৱান্তনা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা কোভিদকা মরী লৈনবা কমপ্লিকেসনশিংনা মরম ওইদুনা মীওই ৩,০৭৯ শিখ্রে ।

দ্রোনাচার্য্য এৱার্দ পীরগনি

প্রয়াগরাজ, জুলাই ০৭ (এজেন্সী): এল্লাহবাদ য়ুনিভর্সিটিনা চহী অসিগী ওইনসু য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওজাশিংদা মখোয়গী পর্ফোমেন্সকা মরী লৈননা দ্রোনাচার্য্য এৱার্দ পীরগনি। তৌইগুম্বসুং হন্দক দ্রোনাচার্য্য এৱার্দ পীগদৌরিবসি মহৈরোয়শিংনা ওজাশিং অসিগী পর্ফোমেন্সকী মতাংদা পীরকপা ফিদবেকশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা পীরগনি হায়রি।

ওজাগী এসেসমেন্ট অদু মহৈরোয় ৩০,০০০ হেনবগী অরোনবা ফিদবেকতা য়ূম্ফম ওইরগনি। এৱার্দ অসি পীবগী মতাংদা অসিগুম্বা এক্সরসাইজ অমা খন্নরকপসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। ফেলিসিটেসনগী থৌরম অদু সেপ্টেম্বর ২৩দা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী এন্যুএল কনভোকেসনগী শরুক অমা ওইরগনি। য়ুনিভর্সিটি অসিগী ফেকল্টি মরি হায়বদি আর্টস, সাইন্স, কমর্স অমসুং লোগী ওইনা ওজা অমমম খন্দোক্লবা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি অসিনা থৌরাং তৌরি ।

প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ০৭ (এজেন্সী): লৈবাক অসিদা থাউগী মমল লেপ্তুনা হেনগৎলকপগী মায়োক্তা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা নেসনল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (এন এস য়ু আই)গী এক্টিভিষ্টশিংনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর পেট্রোলিয়ম, নেচরেলা গ্যাস এন্দ ষ্টীল ধর্মেন্দ্র প্রধাণগী ওফিসল রেসিদেন্সকী মপান্দা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

এক্টিভিষ্টশিংনা দেল্লীগী টীন মুর্টি মার্গতা লৈবা প্রধাণগী রেসিদেন্সকী মপান্দা পুনখি অমসুং মখোয়না বেল খিংবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা স্লোগান কয়া লাউখি। এক্টিভিষ্টশিং অদুবু দেল্লী পুলিসনা দিটেন তৌখি অমসুং মন্দির মার্গ পুলিস ষ্টেসনদা পুখি। মখোয় মফম অদুদগী থাদোকখি। তূম্বগী পাংখক্তা লৈরিবা প্রধাণবু মীকপ থোকহন্নবগীদমক্তা মখোয়না বেল খিংদুনা লৈবাক অসিদা দীজল অমসুং পেট্রোলগী মমল লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা অসিগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরিবনি হায়না এন এস য়ু আইগী এক্টিভিষ্টশিংনা ফোঙদোকখি।

কৃষ্ণ তুরেলগী ঈশিং শীজিন্নবগী রাইটকী মতাংদা ফোরম খূদিংমক্না থেংনগনি: টেলঙ্গনা সী এম

হায়দরবাদ, জুলাই ০৭ (এজেন্সী): টেলঙ্গনাগী চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাওনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হায়খ্রে মদুদি, ষ্টেট অসিগী লৌমীশিং অমদি ফার্ম সেক্টরগী ইন্টরেষ্টতা শোক্তনবা অমসুং কৃষ্ণ তুরেলগী ঈশিং শীজিন্নবগী রাইটকী মতাংদা মন্তিক্রুবগী ৱাফম অমত্তা লৈতনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ফোরম খূদিংমক্তা থেংনগনি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, কৃষ্ণ তুরেলগী ঈশিং শীজিন্নবগী মতাংদা অন্ধ্র প্রদেশনা লৌরক্লিবা ফিরেপ অসি টেলঙ্গনাগী লৌমীশিংগী ইন্টরেষ্টতা শোক্লিংঙাই ওই।

ষ্টেট অসিগী ফংফম থোকপা ঈশিংগী চাকথুং লৌননবা অমসুং টেলঙ্গনাগী লিফ্ট ইরিগেসন স্কিম চল্লাইনবগী হাইদেল পৱার জেনরেসন মখা চৎথনবা ষ্টেট কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখ্রবনি।

ফিরেপ অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কোর্টশিং, ত্রাইব্যুনেলশিংদা অমসুং লাক্লিবা পার্লিয়ামেন্টকী মীফমদা কৃষ্ণ তুরেলগী ঈশিংগা মরী লৈননা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী রাইটশিং খঙহনগনি।

ফংফম থোকপা ঈশিংগী চাকথুংগী চাং লেপথোকপীনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টতসু প্রেসর পীদুনা লাকখি। হৌজিক ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ত্রাইব্যুনেল, কৃষ্ণ রিভর মেনেজমেন্ট বোর্দ (কে আর এম পি) অমসুং অতৈ অসিগুম্বা প্লেটফোর্মশিংদা অকনবা অর্গ্যুমেন্ট থম্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ষ্টেট অসিগী ফংফম থোকপা ঈশিংগী চাকথুং ফংনবা করম্না ষ্ট্রেটেজি পায়খৎকদগে অমসুং তুংদা করি থবক পায়খৎকদগে হায়বা লেপথোক্লবগীদমক চীফ মিনিষ্টরনা চ্যের লৌদুনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অৱাংবা থাক্কী রিভিয়ু মীটিং অমা পাঙথোকখি।

পূং তরুক হেন্না চৎখিবা রিভিয়ু মীটিং অদুদা টেলঙ্গানবু চহী কয়া লিশাং শীৎনা ঈথৈ লৌখোংদা তুরেলগী ঈশিং শীজিন্নবা ফংহল্লকখিদবগী মতাংদা কৃপ্না খন্নখি। মীফম অদুদা হৌজিক্তি সেল্ফ-রুল লৈরবনিনা ঈথৈ-লৌখোংগী ঈশিংগী প্রোব্লেম অমুক হন্না লৈহন্দনবা ৱারেপ লৌখি।

চীফ মিনিষ্টরনা ষ্ট্রেটেজি কয়া খন্নবগা লোয়ননা ওফিসলশিংদা মথৌ তাবা ইন্সট্রক্সনশিং পীখি। মিনিষ্টর ভি শ্রিনিভাস গৌদ, এম এল সী পাল্লা রাজেশ্বর রেদ্দি, গভর্ণমেন্টকী চীফ এদভাইজর রাজিভ শর্ম্মা, চীফ সেক্রেটরি সোমেশ কুমার, সী এমগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি এস নরসিংহ রাও, স্পেসল চীফ সেক্রেটরি (ইরিগেসন) রাজত কুমার, সী এম সেক্রেটরিশিং সমিতা সভরৱাল, ভুপাল রেদ্দি, সী এমগী ও এস দি প্রিয়ঙ্গা ভার্গেসে, ইঞ্জিনীয়র ইন-চীফ মুরালিধার রাও, এদভোকেট জেনরেল বি এস প্রসাদ অমসুং অতৈ কয়ানা রিভিয়ু মীটিং অদুদা শরুক য়াখি।

হিজবুলগী টোপ কমান্দর কাশ্মিরদা খূৎ থোক্লবদা শিরে

তানগর, জুলাই ০৭ (এজেন্সী): অথিংবা থমখ্রবা টেররিষ্ট আউটফিট হিজবুল মুজাহিদিনগী টোপ কমান্দর অমা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা নোর্থ কাশ্মিরগী হান্দৱারাদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা টেররিষ্টশিংগা খূৎ থোক্লবদা শিখ্রে।

মেহরাজ-উদ-দিন হলৱাই এলিয়স উবাইদ চহী কয়া নোর্থ কাশ্মিরদা এক্টিভ ওইরকখি অমসুং হাৎপা-তুপ্পা, কিহন-খঙহনবা অমসুং মাঙহন-তাকহনবগী থবক কয়াদা চেন্নখি।

পুলিসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পুলিস অমসুং এস এস বিনা ৱাতয়েন হন্দৱারাদা কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেভিয়র ইনফোর্সমেন্টকা মরী লৈননা চেকপোইন্ট অমদা রুটিন চেক্কিং চৎখি অমসুং গাড়ী কয়া খামহনখি। চেক তৌরিঙৈদুদা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা মীওই অমা খোঙনা লাকখি। মহাকপু অপূনবা টিম অদুনা ফাখি।

মীওই অদুগী মশাদা সার্চ তৌবদা গ্রেনেদ অমা ফংখি। মহাক ৱাহং-পাউহং তৌনবগীদমক্তা খূদক্তা অনকপা পুলিস আওটপোষ্ট অমদা পুখি। ৱাহং-পাউহং তৌবদা মহাক অথিংবা থমখ্রবা টেরর আওটফিট ঐচ এমগী এক্টিভ কমান্দর অমা ওইরিবা মেহরাজ-উদ-দিন হলৱাই এলিয়স উধাইদ অপোকপা অব্দুল খলিক লৈফম্না খুশল মাতু সোপোরনি হায়না শক্তাকচখি।

মহাক্না হায়দোরকপদগী হন্দৱারা পুলিস, আর্মি, সী আর পি এফ অমসুং এস এস বিনা কোর্দন এন্দ সার্চ ওপরেসন (সী এ এস ও) কয়া পাঙথোকখি। সী এ এস ও হৌরকপগা টেররিষ্ট অসিনা খূৎলায় লোৎলিবা মফম টিম অদুদা তাক্লবা হোৎনখি। খূৎলায় লোৎফমদু হেক য়ৌবগা টেররিষ্ট অসিনা লোৎতুনা থম্বা মহাক্কী এ কে-৪৭ রাইফল লৌখৎলগা অপূনবা সার্চ পার্টি অদুদা ওনশিল্লগা অতৎ-অখম লৈতনা কাপশিল্লকখি। মতুং তাবদা টেররিষ্ট অসি টিম অদুগা কাপ্নবদা শিখি।

নোংমৈ কাপ্নফম অদুদগী এ কে-৪৭ য়াওনা নোংমৈ অমসুং নোংমৈ মরূশিং, পৱার বেঙ্ক, ব্লানকেট, হীদাক লাংথক অমসুং চে-চাংনচিংবা কয়া পুলিসনা রিকোভর তৌখি।

রেকোর্দ কয়াগী মতুং ইন্না, খূৎ থোক্লবদা শিখ্রবা টেররিষ্ট অদু এ দবল প্লস কেটগোরিগী টেররিষ্ট অমনি অমসুং মহাক অথিংবা থমখ্রবা টেরর আওটফিট ঐচ এমগী গ্রুপ কমান্দর অমনি। কুমজা ২০১২দগী এক্টিভ ওইরকখিবা টেররিষ্ট অসি নোর্থ কাশ্মিরদা মীওই কয়া হাৎপদা চেন্নখি। পুলিস/সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা এটেক তৌবা অমসুং মীচমশিংবু ওৎ-নৈবা, লৈবাক্কী লন-থুমশিং মাঙহন-তাকহনবা য়াওনা মহাক মতম শাংনা টেরর ক্রাইমশিংদা চেন্নরকখি। মহাক্কী মায়োক্তা কেস কয়া রেজিষ্টর তৌখি।

দোক্টর অমগী লং ট্রান্সপ্লান্ট তৌনবা য়োগিনা ক্রোর ১.৫ কায়থোকখ্রে

লক্ষ্নৌ, জুলাই ০৭ (এজেন্সী): তাবদা নুংঙাইরবা খোঙথাং অমদা, রাম মনোহর লোহিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (আর এম এল আই এম এম)গী রেসিদেন্ট দোক্টর অমগী লং (থবোম্বী) ট্রান্সপ্লান্ট তৌনবগীদমক উত্তর প্রদেশকী য়োগি অদিত্যনাথ গভর্ণমেন্টনা লুপা ক্রোর ১.৫গী শেনফম কায়থোকখ্রে।

উত্তর প্রদেশকী কেপিটেল লক্ষ্নৌদা লৈবা আর এম এল আই এম এসকী রেসিদেন্ট দোক্টর অমা ওইরিবা মশাগী চহী ৩১ শুরবী শর্দা সুমন কোভিদনা মহাক্কী লংস অনীমক্তা ফিভম থীনা শোকহনখিবদগী থা অনীরোম অরুবা ফিভমদা লৈরকখি।

ইন্সটিট্যুট অসিদা সাইনিকোলোজিদা পি জি তৌরিবা সুমান হৌখিবা এপ্রিল ১৪দা শাথিবা লায়ওংশিংগা লোয়ননা কোভিদ ইনফেক্সন দিটেক্ট তৌখিবদগী ভেন্টিলেটর হাপ্লগা থম্লকখি। মহাক অসুম্না লায়েংবা হৌরকখিবা মতমদা থা নিপালগী প্রেগনেন্ট ওইরকখি। ভেন্টিলেটর সপোর্টকা লোয়ননা লৈনা লৈনা অঙাং কন্নবগীদমক্তা মঙোন্দা সী-সেক্সন পাঙথোকখি। মহাক মশা-মঙৌ ফবা অঙাং নুপী অমা উনখি।

মহাক্কী মেদিকেলগী চাদিং খূদিংমক গভর্ণমেন্টনা পুথোক্কনি হায়না চীফ মিনিষ্টর অদিত্যনাথনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লাউথোকখি।

নুমিৎ মরিনিগী মমাঙদা সুমানগী মপুরোয়বা অজোয় কুমারনা চীফ মিনিষ্টরগা উনখি অমসুং মহাক্কী ইমুং লং ট্রান্সপ্লান্টকী চাদিং পুথোকপা ঙম্বগী ফিভম লৈতে হায়বসি খঙহনখি। সুমানগী মপুরোইবা কুমারসু দোক্টর অমা ওইনা বিহারদা থবক তৌরিবনি।

কুমারনা চীফ মিনিষ্টর উনবা অদুদা আর এম এল আই এম-এসকী দিরেক্টর সোনিয়া নিত্যনন্দ, চীফ মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট রাজন ভতনগর অমসুং মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট বিক্রম সিংহসু লোয়নখি।

চীফ মিনিষ্টরনা খূদক্তা মহাক্কী মেদিকেল ওফিসর ওন স্পেসল দ্যুটিদা লৈরিবা ফিভমদু য়েংশিল্লগা রিপোর্ট অমা পীরক্নবা খঙহনখি। ও এস দিনা হোস্পিটালদা চৎতুনা অনাবগী ফিভম য়েংশিল্লুরবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরদা তমখি অমসুং লুপা ক্রোর ১.৫গী শেনফম অসি চীফ মিনিষ্টরনা লং ট্রান্সপ্লান্ট অদুগীদমক্তা কায়থোকখি।

আর এম এল আই এম এসকী ওফিসর অমগী মতুং ইন্না কোভিদ দ্যুটি তৌরিঙৈদা লায়না অসি পল্লবা মতুংদা সুমান নুমিৎ মঙানি হোম আইসোলেসন তৌখি। ফিভম ফৎচিল্লক্তবদগী মহাক ইন্সটিট্যুট অসিগী কোভিদ ৱার্দতা এদমিট তৌখি। অদুম ওইনমক মহাক্কী ফিভম মখা তানা শোকচিল্লকখি অমসুং মহাক্কী লংস অনীমক মে ১দগী ত্রিটমেন্টতা অহোংবা অমত্তা লাক্তবা হৌখি।

মহাক ভেন্টিলেটর সপোর্ট পীখি অমসুং মহাক্কী অঙাংগী পুন্সি কন্নবগী-দমক্তা সী-সেক্সন সজরি পাঙথোকখি। রেসিদেন্ট দোক্টর অসিগী ফিভম ফগৎলকপা লৈতবদগী মহাক ঈ সী এম ও সপোর্ট পীখি। হৌজিক্তি লং ট্রান্সপ্লান্ট নত্তনা অতৈ পাম্বৈ লৈত্রে হায়বসি মহাক্কী মপুরোয়বদা খঙহনখি।

এক্স-য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী লোয়নবী হাৎলম্লে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ০৭ (এজেন্সী): হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর পি আর কুমারমঙ্গলমগী লোয়নবী মশাগী চহী ৬৮ শুরবী কিতি কুমারমঙ্গলম লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা সাওথ দেল্লীগী ভাসন্ত ভিহারদা লৈবা মহাক্কী য়ূমদা হাৎলম্লে হায়না পুলিসনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোরক্লি।

দেল্লী পুলিসকী ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না, থৌদোক অদুগী পাউ মখোয়দা দোমেষ্টিক হেল্পরনা পীরকখি। মহাক্না ফোঙদোরকপদা, ৱাশরমেন রাজু লখন নুমিদাং পূং ৮দগী ৯ লোমগী মতমদা এসোসিএট অনীগা লোয়ননা য়ূমদা লাকখি। দোমেষ্টিক হেল্পরগী পাউদম অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা পুলিসনা য়ুমশকৈশগী অয়ূক্তা লখন ফাখি।

দেপ্যুটি কম্মিস্নর ওফ পুলিস (সাওথ ৱেষ্ট দেল্লী) ইঙ্গিট প্রতাপ সিংহনা ফোঙদোরকপদা, লখননা হান্না য়ূমদা চঙখি অমসুং মদুগী মতুংদা মহাক্কী এসোসিএটশিং চঙখি। মখোয়না কিতিবু ওভরপৱার তৌখি অমসুং মোন অমনা মমায়দা নমশিল্লগা শ্বর ফুলহল্লগা হাৎখি। মহাকপু হাৎলবা মতুংদা মীওই অহুমদু য়ূম অদুদগী চৎখি। ৱারী অসি তারবা মতুংদা পুলিস টিম কয়া শেমখি অমসুং মখোয়না লখন ফাখি। মহাক নক্লবা ভনৱার সিংহ কেম্পতগীনি। লখননা অতৈ মীওই অনীদুগী মিংশিং হায়দোরকখি।

কিটি কুমারমঙ্গলম অনীশুবা ফ্লোরদা মথন্তা লৈখি। মহাক্কী মপুরোয়বা পি আর কুমারমঙ্গলম কুমজা ১৯৯৮ অমসুং ২০০১গী মরক্তা নেসনল দেমোক্রেটিক এলাইন্স গভর্ণমেন্টতা মিনিষ্টর অমা ওইখি। মহাক কুমজা ১৯৯১দগী ১৯৯৩গী মরক্তা পি ভি নরসিমহা রাও গভর্ণমেন্টতসু মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট অমা ওইখি। মহাক কুমজা ২০০০দা থুপখি।

এক্স-মিনিষ্টর পোক্সো এক্টকী মখাদা বূক তৌখ্রে

বালিয়া, জুলাই ০৭ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশকী স্পোর্টস মিনিষ্টর উপেন্দ্র টিৱারি অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মায়োক্তা 'ফজদবা স্লোগান' কয়া লাউবগী মরাল শীরদুনা ষ্টেট অসিগী হান্নগী মিনিষ্টর অম্বিকা চৌধরি অমসুং মহাক্কী মচানুপা অনন্দ চৌধরি পোক্সো এক্টকী মখাদা বূক তৌখ্রে।

সমাজৱাদি পার্টি (এস পি)গী ৱর্করশিংনা উপেন্দ্র টিৱারিগী মায়োক্তা স্লোগান কয়া লাউবগী ভিদিও অমা সোসল মিদিয়াদা ভাইরেল ওইখি।

স্লোগানশিং অদুগী টার্গেটতি মহাক্কী চহী নৌরিবা মচানুপী অনী অমসুং মহাক্কী মমানি হায়রদুনা উপেন্দ্রগী ইমুংনা এক্যুজশিং অদু পোক্সো এক্টকী মখাদা বূক তৌনবা তকশিনখি। এস পিগী ৱর্করশিংনা মহাক্কী মমা অমসুং মচানুপীশিং মরম চাদনা ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতাশিং শীজিন্নদুনা চৈ-ঙাঙই হায়না উপেন্দ্রনা মরাল শীখি।

ভিদিও অদুদা পঞ্চায়ত মীখল লোইরবা মতুংদা উপেন্দ্রগী মমা অমসুং মচানুপীশিংবু অকনবা ৱাহৈশিং শীজিন্নদুনা চৈ-থাংবা উই। অম্বিকা চৌধরি মহাক্কী মচানুপাগী খূৎথাংদা এস পিদা য়াওনবা হোৎনরিবনি। ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ৭৫দা পঞ্চায়ত মীখল পাঙথোকখি। তৌইগুম্বসুং অতৈ দিষ্ট্রিক্ট ৭৪দদি মীখল পাঙথোকখিদে হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

উত্তর প্রদেশ পুলিসনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অম্বিকা চৌধরিগী মচানুপা ওইরিবা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়ত চীফ অনন্দ চৌধরি য়াওনা মীওই ১০গী মায়োক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখি।

বালিয়াগী বি জে পি লুচিংবশিংনা সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ভিপিন টাদা উনখি অমসুং হীরম অসিগী মতাংদা এক্সন লৌখৎনবা তকশিনখি।

এদিসনল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (এ এস পি) সঞ্জয় য়াদবকী মতুং ইন্না, অনন্দ চৌধরি, মহাক্কী অপোকপা অম্বিকা চৌধরি অমসুং অতৈ মীওই চা-কয়া পুলিসনা বূক তৌখি।

হান্নগী মিনিষ্টর মনিকন্দন কন্দিসনল বেল পীখ্রে

চেন্নাই, জুলাই ০৭ (এজেন্সী): মালেসিয়ন সিটিজন অমা লুহোংগনি হায়না থাজহল্লগা নুপীগী ইকায় খুন্নবা মাঙহনখিবগা মরী লৈনবা কেস অমদা এ আই এ দি-এম কেগী লীদর অমসুং হান্নগী মিনিষ্টর এম মনিকন্দন মদ্রাস হায় কোর্টনা কন্দিসনল বেল পীখ্রে।

মনিকন্দন জুন ৩০দা ফারবা মতুংদা পুজল সেন্ট্রেল জেলদা থমখি। মশামক মেদিকেল দোক্টর অমা ওইরিবা হান্নগী মিনিষ্টর অসিবু য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মদ্রাস হায় কোর্টকী জষ্টিস নির্মল কুমারনা কন্দিসনল বেল পীখি অমসুং ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসরদা মহাক্কী পাসপোর্ট সরেন্দর তৌনবা অমদি চয়োল অনী খূদিংগী ওফিসর অসিগী মমাঙদা এপিয়ারেন্স তৌনবা খঙহনখি।

বেল এপ্লিকেসন অদুদা মনিকন্দননা হায়খি, মহাক ময়ূম পাল্লবা মীওইনি অমসুং মহাক্না (এক্টর অসিনা) হিংলিঙৈ মনুংদা মহাক্না লুহোংবা য়ারোই অমসুং দিভোর্সকী ৱাফম অসি মহাক্না (মনিকন্দননা) লেপ্পখক্তনা য়াদে হায়বসি মশানা মুন্না খঙজে।

হান্নগী মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা হায়, মঙোন্দা শীরিবা মরাল অসি ফেস ভেল্যুদা য়েংলবা ফাওবা আই পি সীগী সেক্সন ৩৭৫ (রেপ) পানবা য়াবা ওফেন্স ওইদে। মালেসিয়ন এক্টর অসিগা মহাক্না লৈনরিবা মরী অদু অমগা অমগা য়ানবা এদল্ট অনীগী মরীনি হায়নসু হান্নগী মিনিষ্টর অসিনা বেল প্লী অদুদা পনখি।

দেল্লীদা এন ও টু পোলুসন চহীদা চাদা ১২৫ হেনগৎলে: ষ্টদি

ন্যু দেল্লী, জুলাই ০৭ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা ষ্টেট কেপিটেল নিপালগী এন ও টু (নাইট্রোজেন দাইওক্সাইদ) কন্সেন্ট্রসনশিং এনালাইসিস তৌখিবা গ্রীনপিশ ইন্দিয়াগী মতুং ইন্না, এপ্রিল ২০২০ অমসুং এপ্রিল ২০২১গী মরক্তা দেল্লীদা এন ও টু চাদা ১২৫ হেনগৎখি।

ষ্টদি তৌখিবা ষ্টেট কেপিটেল নিপালমক্তা হায়বদি মুম্বাই, দেল্লী, বেঙ্গলুরু, হায়দরবাদ, চেন্নাই, কোলকটা, জয়পুর অমসুং লক্ষ্নৌদা এন ও টু পোল্যুসন হেনগৎখি। তৌইগুম্বসুং দেল্লীনা মতম অসিগী মনুংদা এন ও টু পোল্যুসন খ্বাইদগী ৱাংখি। এন ও টু অসি খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা এয়র পোল্যুটেন্ট অমনি। অয়াম্বা মোটোর ভেহিকলশিং, পৱার জেনরেসন অমসুং ইন্দষ্ট্রিএল প্রোসেসশিংদা উবগুম ফ্যুএল চাকথেকপা মতমদা শাথিরবা পোৎশক অসি নুংশিৎতা থাদোকই।

এন ও টুদা এক্সপোজ তৌবা অসিনা চহীগী খেন্নবা লৈতনা মীপূম খূদিংমক্কী হকশেলদা শাথিনা শোকহনবা য়াই।

OFFICE OF THE DISTRICT LEGAL SERVICES AUTHORITY, CHANDEL
ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

NATIONAL LOK ADALAT will be organised by DISTRICT LEGAL SERVICES AUTHORITY CHANDEL (DLSA) on the 10th of July, 2021 from 10 AM at CJM Court Complex, Chandel. The public is hereby encouraged to take benefit by submitting any case pending in court or at pre-litigative stage or any dispute with regard to land, money, domestic, etc. to be listed for legally binding settlement for free at the said Lok Adalat. Details of cases/disputes that parties are seeking settlement of may be submitted to the Office of DLSA, Chandel latest by 9th of July, 2021 through contact details provided below.

For any further details or assistance, please contact: DLSA, CDL at 6009904966 or email- dlsa.cdl123@gmail.com.

Sd/- **Lamkholal Kipgen,** Secretary,
District Legal Services Authority, Chandel
HL-P/9998/8

ꯊꯥꯒꯠꯄ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইম্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইম্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792
HL-B/6972/17/5-15/6

ꯈꯪꯍꯟꯕ / মনি বেগ অমা তাহৌরে

ঙসি তাং ৭/০৭/২০২১ ইং, য়ুমশকৈশা নুমীৎতা ইরোইশেম্বা অহন্থেম লৈরক্তগীনা ইরোইশেম্বা চীংজিন ফাওবা চৎপগী লম্বীদা মীগী পীগদবা শেল য়াওবা ঐগী মনি বেগ অমা তাহৌরে অমদি বেগ অদুদা ঐগী মিংদা লৈবা হেল্থ কার্দ অমসু য়াওখ্রে। কনাগুম্বনা হায়রিবা মনি বেগ অসিবু খুনবীবা অমদি থেংনবীবা য়াওরবদি মখাদা পীজরিবা মোবাইল নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ অমদি অৱাবল মতীক চানা তৌজগনি।

Sd/- **Ahanthem Bimol,**
Iroisemba Maning Leikai, # 7005118947
HL-P/6861/8

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST, MANIPUR
Ref. Mutation Case No. 250/SDC/SLG/IE of 2021 Dated: 07/07/2021
Thiyam Purnimashi Devi W/o Late Yengkhom Krishnakumar Singh of Chingmeirong Yengkhoiba Menjor Leikai. -Petitioner
-Vs-
Late Yengkhom Krishnakumar Singh S/o Late Lila Singh of Chingmeirong Yengkhoiba Menjor Leikai. -Opposite Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Sagolmang, Dated 07/07/2021

Under Section-46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি ঈ:ঈ: তহশিল খুল নং 1-Sinam পাট্টা নং 105 (অরিবা) 60 (অনৌবা), দাগ নং 59, মোট এরিয়া 0.82 একর চাওবা Phourel গী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নর অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা পিটিস্নর অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃতু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি/ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজররোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চৎখরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Sagolmang, Imphal East
HL-P/6860/8

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, LAMSANG
Ref. Mutation Case No. 354/SDC/IW-L/2021
Angom Ingocha S/o (L) A. Ibochou of Phayeng Awang Leikai. -Petitioner
-Vs-
Late Angom Ingojao Singh S/o (L) Ibochou Singh of Phayeng Awang Leikai. -OP/Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
06/07/2021

U/S 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার অঙোম ইঙোজাও সিংহ পীতা মৃত ইবোচৌ সিংহ সাং ফয়েং অৱাং লৈকাইগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৫৫-লমলোংগৈ অনৌবা পাট্টা নং ১৭৯ দাগ নং ১০০৩ এরিয়া ২.১৬ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চৎথজরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Lamsang
HL-P/10000/8

কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

Location	Cases	Recovered	Deaths
Maharashtra	61,10,000+8,418	58,70,000+10,548	1,24,000+395
Kerala	30,00,000+14,373	28,80,000+10,751	13,960+142
Karnataka	28,60,000+3,104	27,80,000+4,992	35,526+92
Tamil Nadu	25,00,000+3,479	24,40,000+3,855	33,132+73
Andhra Pradesh	19,10,000+3,042	18,60,000+3,748	12,898+28
Uttar Pradesh	17,10,000+79	16,80,000+218	22,656+10
West Bengal	15,10,000+962	14,70,000+1,620	17,834+17
Delhi	14,30,000+79	14,10,000+154	25,001+4
Chhattisgarh	9,96,000+322	9,78,000+533	13,462+5
Rajasthan	9,53,000+47	9,43,000+126	8,942+1
Odisha	9,27,000+2,487	8,97,000+3,258	4,299+51
Gujarat	8,24,000+69	8,12,000+208	10,072+1
Madhya Pradesh	7,90,000+27	7,81,000+44	9,017+2
Haryana	7,69,000+73	7,58,000+94	9,506+10
Bihar	7,23,000+143	7,12,000+221	9,612+6
Telangana	6,28,000+784	6,13,000+1,028	3,703+5
Punjab	5,97,000+186	5,79,000+280	16,131+9
Assam	5,22,000+2,433	4,93,000+1,745	4,717+34
Jharkhand	3,46,000+55	3,40,000+108	5,118+1
Uttarakhand	3,41,000+89	3,32,000+103	7,338+3
Jammu and Kashmir	3,17,000+231	3,10,000+421	4,345+2
Himachal Pradesh	2,03,000+145	1,98,000+175	3,485+1
Goa	1,68,000+257	1,63,000+230	3,079+4
Puducherry	1,18,000+140	1,15,000+219	1,763+1
Manipur	**73,581+863**	**66,132+592**	**1,218+14**
Tripura	68,612+461	63,964+472	701+4
Chandigarh	61,752+12	60,837+22	809
Meghalaya	52,358+457	47,173+497	880+9
Arunachal Pradesh	37,879+348	34,525+291	181+2
Nagaland	25,619+60	23,982+114	503+4
Mizoram	22,155+301	18,383+357	98
Sikkim	21,403+177	19,200+152	309
Ladakh	20,137+8	19,733+24	204
Lakshadweep	9,947+11	9,643+34	49
Andaman and Nicobar Islands	7,487+5	7,343+4	128